প্যুর্টো রিকোদা হুরিকেন মারিয়াগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা শিখিবা মীগী মশিং ২,৯৭৫ শুখ্রে

সান জুৱান, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী)ঃ

প্যুর্টো রিকোদা হুরিকেন মারিয়া হুমজিল্লকখ্রবা মতুং মরী লৈনবা থৌদোক কয়াদা লৈখিদবা মীগী মশিং ২৯৭৫ শুখ্রে। য়ু এসকী ষ্টেট অমা ওইরিবা লমদম অদুদা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা চাউনা অমাঙ-অতা থোকহনখি।

নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা চঙশিল্লকখ্রবা মতুং মাঙহন-তাকহল্লম্বা য়াই হায়না পান্নরম্বা চাং অদুদগী শরুক ৫০ হেন্না মাঙ-তাকপগী থৌদোকশিং থোকখি হায়না গভর্ণর রিকার্দো রোসেলোনা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা হায়, কুমজা ২০১৭ গী সেপ্টেম্বরদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা থিগৎপগী থবকশিং চত্থখি। মতম শাংনা থিগৎপা অদুগী রিপোর্ট ঙাইদুনা লাকখিবনি হায়রি।

সান জুৱানগী মেয়রনা য়ু এস লৈঙাকপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা মাঙহন-তাকহনখিবশিং অদু হন্থনা পান্ননবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিখ্রে। প্যুর্টো রিকোদা মাঙ-তাকখ্রবশিং অদু শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। য়ু এস কোংগ্রেসনা শেমগৎ-শাগৎপদা লুপা কয়া য়াম্না চঙবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিল্লি।

ওফিসল ওইবা পাউ অমগী মতুংইন্না নোংলৈ-নুংশিৎ মায়োক্লখ্রবা মতুং মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা শিখিবা মীগী মশিং ২,৯৭৫ শুখ্রে হায়না গভর্ণর রিকার্দো রোসেলোনা ঙরাং পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, পারিবা মশিং অদু সাইন্টিফিক ওইবা টেক্নোলোজি অমদা বেজ তৌবনি। হ্বাইট হাউসকী মতুংইন্না ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা হুরিকেন মারিয়ানা মাঙহন-তাকহনখ্রবা মফমশিং অদুনা মনুং মপান ফাওনা তেংবাং পীবগী থবক পায়খৎলি হায়রি। মাঙ-তাকখ্রবশিং অদু মপুং ফানা শেমগৎনবগীদমক মীৎয়েং থল্লি হায়রি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা ঈথৎ লৈবাক অদুদা মাঙহন-তাকহনখ্রবা মতুং পায়খৎলিবা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌওং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। নাকল অমরোমদা, টেক্সাস অমসুং ফ্লোরিদাদা লৈবা মীওই কয়াসু নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা শোকহনখি হায়বগী ৱাফমশিংসু ফোঙদোক্লরক্লি।

মীয়ামগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুং রসিয়াগী পেন্সন স্কিম শেমদোক-শেমজিন তৌখ্রে

মোস্কো, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী)ঃ

রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা পেন্সন ফংহনবগী চহী শাংদোকখিবগী মতাংদা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুং পেন্সন স্কিম অদু শেমদোক-শেমজিন তৌখ্রে।

লৈবাক অদুদা লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা নুপীশিংগী ওইনা পেন্সন ফংবগী মতম চহী ৬৩ ওইরম্বা অদুগী মহুৎ ৬০ দা হন্থহনখ্রে। অদুগা নুপীগীনা চহী ৬৫ দা হান্নদগী চহী ৫ হেনগৎনা লেপখ্রে। রেয়র টিভিদা ৱ্লাদিমির পুটিননা হায়, লৈবাক অদুদা ওইরিবা থবক তৌবা ঙম্বা মীওইশিংগী মশিং হন্থরকপনা মরম ওইরগা অহোংবা অমা পুরকপা তঙাইফদে।

রসিয়াগী ওইনা মীওই অমগী চাংচৎ ওইবা হিংবগী মতম অদু নুপাগী ওইনা চহী ৬৬ অদুগা নুপীগী ওইনা চহী ৭৭ ওইরি হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। পুটিননা হায়, থবক্তুগী পোত্থাবগী মতম শেমদোক শেমজিন তৌবগী থৌশিল অদু চহী ১ রোম থেংথরগনি। মতম য়ৈথোকপা অদুনা মরম ওইরগা রসিয়াগী খুন্নাইদা তংদু লৈতাদবা অমসুং সিকু্যরিটিগী ফীভমদা শিংনরকপা কয়া লাকপা য়াই হায়রি।

কুমজা ২০১৯ দা চৎনগদবা থবক্তুগী পোত্থাবগী থৌশিলগী মতুংইন্না নুপা অমনা থবক্তুগী পোত্থাবগী মতম অদু চহী ৬০ দগী ৬৫ দা হেনগৎকনি। অদুগা নুপীগী ওইনা থবক্তুগী পোত্থাবগী চহী ৫৫ দগী ৬৩ দা হেনগৎহন্নবা থৌশিল পায়খৎখিবনি। মীয়াম্না অদুগুম্বা থৌশিল অদুগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপনা মরম ওইরগা নুপীশিংগী ওইনা থবক্তুগী পোত্থাবগী মতম চহী ৬০ দা হন্থহল্লে হায়রি।

লৈবাক অদুদা পায়খৎলিবা পেন্সন রিফোর্ম অদুদা পুটিন মশামক্তি লাপ্না লৈরিবনি। মহাক অদুগুম্বা থৌশিল অদুদা শরুক য়াদে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে। ৱ্লাদিমির পুটিননা টেলিভিজন্দা ৱা ঙাঙবা হায়বদু য়াম্না তাঙনা থোকপা অমনি। অদুম ওইনমক লৈবাক অদুদা পেন্সন ফংহনবগী চহী হেনগৎপগী মতাংদা মীয়ামগী অকনবা খোঙজং লাকখ্রবা মতুং টেলিভিজন্দা পাউজেল পীখ্রে। রসিয়াদা হৌজিক পেন্সন ফংলবা মীওই মিলিয়ন ১২ রোম লৈরি হায়রি।

ভেনিজ্বেলা ৱাথোক : ব্রাজিলনা ঙমখৈ ঙাক্লবা লান্মী থাজিনখ্রে

রাইও দি জেনরিও, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী):

ভেনিজ্বেলাগী ঙমখৈ পরিংদা ওইরিবা ফীভম অদু য়েংশিন্নবা অমসুং লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লনবা লান্মী থাজিনখ্রে হায়না ব্রাজিলনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অদুদা মাইগ্রেন্ট কয়া থোমজিল্লকপগী ৱাথোক লৈরিঙৈ চৈরক্তা ব্রাজিলনা ঙমখৈ পরিংদা লান্মী থাজিনবগী থৌশিল অদু পায়খৎলকখিবনি। প্রসিদেন্ট মাইকেল টেমরনা টেলিভিজন্দা ফোঙদোকখিবদা, ভেনিজ্বেলাদা হৌজিক শাথিবা ফীভম অমা মায়োক্লরে। মদুনা মরম ওইরগা খা থংবা অমেরিকাদা অচৌবা শিংনবা অমা মায়োক্লরক্লি।

ভেনিজ্বেলাদা শেল-থুমগী ফীভম খ্বাইদগী হেন্না ফত্তবা তাঙ্কক অমা লাকপগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লৈরম্বা মীওই মিলিয়ন কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নরি। লমদম অদুদা হৌজিক চানবা চীঙ্গাক অমসুং হিদাক লাংথক ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবনি হায়রি।

ঙমখৈ পরিংদা হন্দক্তা খুৎ থোক্লখিবা লৈখ্রে। মাইগ্রেন্ট অমসুং লমদম অদুগী মীয়ামগী মরক্তা চাউনা মুক্লরি। ওইরিবা ফীভমশিং অদু য়েংলগা ঙমখৈগা তায়ননা লৈবা মফমশিং ঙাক শেন্ননবগীদমক লান্মী থাজিনবগী তঙাইফদবা লৈ। তংদু লৈতাদ্রবা মফমশিং অদুদা মরুওইনা পকারাইমা টাউন হায়না খঙনবা ঙমখৈগা নক্লনা লৈবা মফমদা লান্মী থাজিনখ্রে। অৱাংথংবা ফেদরেল রোদ অমসুং ঙমখৈগা তায়নবা মফমশিংদা চয়োল অনীগী মমাঙদগী লান্মীশিং মথৌ তৌহন্নবা থৌশিল পায়খৎখ্রবনি। ভেনিজ্বেলাগী ৱাথোক অসিনা ব্রাজিলগী লৈবাক মনুংগী ওইবা পোলিটিক্স অমা ওইহল্লোইদবনি হায়রি।

সমুদ্রগী তাঙলবা থেঙ্গু কয়া মেক্সিকো সমুদ্র খোংবালদা শিরম্বা থেংনরে

মেক্সিকো, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী):

মেক্সিকোগী ষ্টেট অমা ওইরিবা ওসাকাগী সমুদ্র খোংবালদা সমুদ্রগী থেঙ্গু কয়া শিরে। ঙামীশিংগী লাংদা অশিবা থেঙ্গু কয়া থুদুনা লৈরম্বা থেংনখ্রে। থংননা লৈবা চিয়াপাস ষ্টেটতা ওলিফ রিদলি থেঙ্গু ১০২ শিদুনা লৈরম্বা থেংনখিবগী মতুংদা হন্দক য়াল্লবা থেঙ্গু কয়া শিদুনা লৈরম্বা থেংনরে।

ওলিফ রিদলি হায়না খঙনবা থেঙ্গু মখল অদু চহী খুদিংগী মে অমসুং সেপ্টেম্বর থাদা মেক্সিকো ষ্টেটকী সমুদ্র খোংবালগী লৈঙোয় মরক্তা কাখৎলক্তুনা মরুম কোকপনি। হায়রিবা থেঙ্গু মখল অদু মালেমদগী মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরিবা স্পেসিসস অমনি। থেঙ্গুশিং অদু করম তৌনা শিখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক থিগৎপগী থবক চত্থবা হৌখ্রে হায়রি। মদুদা নত্তনা পঙ্ক টর্তল হায়না খঙনবা থেঙ্গু মখল অসিসু মাঙশিল্লক্লবা তাঙলবা মখলগী স্পেসিস অমা ওইরিবনি। সিঙ্গাপুর সমুদ্র খোংবালদসু স্লাইস সী টর্তল কয়া শিরম্বা থেংনখ্রে। থেঙ্গুশিং অদু হন্দক ওসাকাগী সমুদ্র খোংবালদা ঙা ফাবশিংগী লাংদা করম তৌনা থুরল্লিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। থেঙ্গুশিং অদু লাংদা থুরবা মতুং শিখিব্রা নৎত্রগা শিরবা মতুং লাং অদুদা পন্দুনা লৈরমখিবরা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না থেঙ্গুশিং অদু অলগি মখল খরনা শোকহনবদগী শিখিবা ওইরম্বা য়াই। নৎত্রগা লাংদা থুরবা মতুং শ্বর ফুন্দুনা শিবা ওইরম্বসু য়াই হায়রি। মেক্সিকোদা কুমজা ১৯৯০ দগী হৌনা থেঙ্গু ফাবা থিংখিবনি। করিগুম্বা থেঙ্গু ফাবা নৎত্রগা হাৎলম্বা থেংনরবদি লৈবাক অদুগী লোগী মতুংইন্না অকনবা চৈরাক পীরিবনি হায়রি।

মিদ-টর্ম ইলেক্সন্দা দিমোক্রেটনা মায় পাকখ্রবদি ভাইওলেন্স থোকপা য়াই

ৱাশিংতন, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী):

নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মিদ-টর্ম ইলেক্সন্দা দিমোক্রেটনা মায় পাকখিবা থোক্লবদি ভাইওলেন্স কয়া থোকপা য়াই হায়না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎপা কাঙবুশিংনা মতেং পাংদুনা মাঙ-তাকপা থোকপা য়াবা মওংদা ওইহল্লক্তনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মিদ-টর্ম ইলেক্সন অদু প্রসিদেন্টপু মীয়াম্না য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বদুগী পাক-চাউবা চাংয়েং অমা ওইনা লৌনরিবনি। ত্রম্পকী মায়োক্তা মীওই কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখিবা লৈখ্রে। মহাক্কী হান্নগী উকিল অমসুং মীখলগী মতমদা ভোট খোম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মীওই মরাল লৈ হায়না মমাঙদা ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রবনি।

ত্রম্প অমসুং ইভাজেলিকেল লিদরশিংগা হ্বাইট হাউসতা থোঙ লোনশিন্দুনা ৱারী শানখিবগী রেকোর্দিংশিং য়ু এস সোসল মীদিয়াদা লিগ ওইরকখিবা লৈখ্রে। মীফম অদুদা দোনাল্ড ত্রম্পনা মিদ-টর্ম ইলেক্সন অদু রিফরেন্দম অমা নত্তে। মদু নীং-খা তম্না ৱা ঙাঙননবগী রিফরেন্দম অমনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

[illegible]/DOCUMENT LOST

I have lost my Bank Passbook of State Bank of India, Paona Bazar Branch bearing Account No. 31137797135, ATM Card and Cheque Book, on the way from Naorem Leikai to Moirangkhom Bazar on 25/08/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Takhellambam Devajit Singh
Singjamei Makha Naorem Leikai
Contact No. ☎ **8794708680**

HL-P/2054/30

[illegible]/খঙহঞ্জবা

তাং ২৯/০৮/২০১৮ ইং

ঙসি তাং ২৯/০৮/২০১৮ ইংদা **YUMBIREL** কৌবা ওর্গনাইজেসন অমা নৌনা শেমদুনা Manipur Societies Registration Act, 1989 গী মখাদা রেজিষ্টর তৌজরগনি। হায়রিবা অসিদা কনাগুম্বনা য়াওবিনিংবা অমদি য়েৎপীনিংবা লৈরবদি মখাদা শহি তৌজরিবা অমদি Deputy Registrar of Societies, Thoubal দা লাক্লিবা তাং ২০/০৯/২০১৮ ইং ফাওবগী মনুংদা পাউ ফাওবীরকউ। লোয়ননা হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী Inaugural General Body মীতিংনা লাক্লিবা তাং ২৬/০৯/২০১৮ ইংদা ওর্গনাইজেসন অসিগী ওফিসতা ওর্গনাইজেসন অসিগী Managing Committee মেম্বরনচিংবা খন্ননবা পাঙথোকচরগনি। মখা তাবা ৱাকৎ অমত্তা লৌজরোই।

Sd/- Akoijam Dorendro Meetei
Secretary

HL-P/2056/30

[illegible]/NOTICE

Dt. 29/08/2018

I the undersigned have petitioned for change of Proprietorship of M/S Chandramani Saw Mill bearing factory Licence No. 395 located in Khurkhul Minor Industrial Estate, Imphal West from Shri Nongthombam Chandramani Singh of Chingamakha Yanglem Leikai, Imphal West to Irom Ranjit Singh of Singjamei Chingamakha Phuramakhong, Imphal West District. Now therefore, any objection to the proposed change of proprietorship of the mill may be addressed to the Chief Inspector of Factories & Boilers cum Director of Trade, Commerce & Industries, Lamphelpat within 14 (Fourteen) days from the first publication of this notice.

Sd/- Irom Ranjit Singh
Chingamakha Phura Makhong

HL-P/5298/30

[illegible]/অমাঙথোং ময়াদা মতুম মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদু ঙা, থাও, মোরোক চারগনা অমুক চাওথোক্লকপা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু মপোকসিমগী কাওজররোই



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোং ময়াদা মচা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদু শা-ঙা, থাও, মোরোক চারগনা অমুক চাওথোরকপা অদুগা অমুক পীকশিনখিবা, চাওথোরকপা মতমদা অমাঙথোংদা য়াম্না চিকপা নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, মচিৎ মচিৎ তোয়না তোয়না হাম্বা, অমুক্তুদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা মনাংগা লোয়নরকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা চাম্বা মতমদা অমাঙথোং মনুংদা খুৎনা খজিক্তং থিনজিল্লগা মনাংদু শেংনবা চাম্বদা অমাঙথোং মনুংদা ফুরিগুম্না মতুম ওইনা তংলগা লৈবা, মরক মরক্তা অমাঙথোংগী অকোইবদা মরেং মরেং চৎলগা য়াম্না হাক্তৎচবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাংদা য়াম্না চোকথ-ৱান্থবা, ঙকশম মরি নাবা তৌরম্বগঞ্জশিং অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/9089738275 দা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

থাগৎচরিবী : **O. DYNA**
Kongpal

HL-P/2041/30

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref:- Mut. Case No. 864/SDC/NBL of 2018

1. Thounaojam Suresh Singh S/o (L) Raghumani Singh of Utlou Mayai Leikai (Area 0.08 acre).
2. –do– Ajit Singh S/o –do– of –do– (Area 0.08 acre).
3. –do– Shanta Singh S/o –do– of –do– (Area 0.08 acre).
4. –do– Ingochouba Singh S/o (L) Muhindro Singh of –do–. (Area 0.09 acre).

...... *Petitioners*

-Vrs-

(L) Thounaojam Muhindro Singh S/o (L) Manglemjao Singh of Utlou.

...... *Pattadar*

[illegible]/NOTICE

Dt. 29/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি ভিলেজ নং ১৬-উৎলৌ পাট্টা নং ৯৫২ (অনৌবা) দাগ নং ২৩৩ এরিয়া ০.৪৩ একর ওফ ইঙ্খোল ক্লাস হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কক্লগা দংকারি নং (১) (২) (৩) (৪) মথক্তা পল্লিবা মাগী মাগী শরুকশিং অসিদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না কেশ মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **S. Dhiren Singh**
Sub-Deputy Collector, Nambol

HL-P/2061/30

[illegible]/WANTED

MAXIMUS AIRLINE TRAVEL AGENCY, Moirang গীদমক্তা মোইরাংদা লৈবা Computer knowledge লৈরবা মীওই ২ (অনী) খক অথুবা মতমদা পামজৈ।

Please contact : ☎ **8256956017**
Salary are Negotiable

HL-P/2057/30

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref:- Mut. Case No. 420/SDC/Oinam of 2018

Wahengbam Sanajaoba Luwang S/o (L) W. Kala Singh of Oinam Mamang Leikai.

...... *Applicant*

-Vrs-

(L) Yanglem Thambalmarik Devi W/o (L) Y. Achou Singh of Yumnam Khunou.

...... *O.P. Pattadar*

[illegible]/NOTICE

Oinam, the 28th August, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩০-ওইনামগী পাট্টা নং ১৯৬৩ (অনৌবা) দাগ নং ২২৯/২৩৮৮ এরিয়া একর ০.৮৭ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমীং কক্লগা মাগী মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/2053/30

[illegible]/NOTICE

Dt. 29/08/2018

I the undersigned have petitioned for change of Proprietorship of M/S RK Kumar Saw Mill bearing factory Licence No. 301 located in Khurkhul Minor Industrial Estate, Imphal West from Shri RK Kumar Singh of Khurai Sajor Leikai, Imphal East to Haobam Robindro Singh of Wangjing, Wangkhei Leikai, Thoubal District. Now therefore, any objection to the proposed change of proprietorship of the mill may be addressed to the Chief Inspector of Factories & Boilers cum Director of Trade, Commerce & Industries, Lamphelpat within 14 (Fourteen) days from the first publication of this notice.

***Sd/-* H. Robindro Singh**
Wangjing Wangkhei Leikai,
Thoubal District

HL-P/5297/30

OFFICE OF THE MOIRANG MUNICIPAL COUNCIL

[illegible]/ NOTICE

নোটিস অসিনা মীয়ামদা খঙহঞ্জরি, **KHOIYOL KEITHEL MOIRANG LAMKHAI, WOMEN VENDOR NO. 17,** লুকমাই পোৎফম Hemam (O) Sanahalbi Devi, W/o H. Labango Singh, Moirang Lamkhai, Ward No. 1 দা লৈবগী মীংদা লৈরিবা অসি Moirangthem Shyama Devi W/o (L) M. Shyamjai Singh Ngangkhalawai Mayai Leikai, Ward No. 2 দা লৈবগী মীংদা ওঙ্গরগনি। মরম অসিনা কনাগুম্বা য়েৎপীনিংবা মীওইশিং লৈরগদি MMC Office তা লাকপীদুনা ৱাকৎপীবা য়াগনি। মরম অসিনা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মতম পীজরি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/- **EO**
Moirang Municipal Council, Moirang

HL-P/2058/30



COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR.

NOTIFICATION

Imphal, the 28th August, 2018.

No. 3(I)/94/2013-HSC: /4368 In pursuance of the Resolution No.6.1 of the Council meeting held on 31-07-2018, it is, hereby, notified to all the concerned heads of institutions under the Council that for upgrading the standard of teaching-learning process at class-room level and maintaining uniform academic performance in all the institutions having 10+2 courses across the state a **"3-Day Workshop on Techniques of Paper Setting & Evaluation"** is to be organised in a localised manner for institutions in and around the following institutions given below(as proposed venue of the work shop) on dates (to be fixed by the concerned group of institutions and finalised with the Council authority) Commencing from the **14th September to 31st October, 2018**. The expenses to be involved in organising the said work shop will be borne by the institutions under each group.

Sl.No.	Group	Venue	Remarks
1.	Imphal West(A)	Model Hr. Sec. School, Imphal	Lists of institutions enclosed as Annexure I
2.	Imphal west(B)	Johnstone Hr. Sec. School, Imphal	Lists of institutions enclosed as Annexure II
3.	Imphal East	C.C. Hr. Sec School, Imphal	
4.	Bishnupur Dist.	Bishnupur Hr. Sec. School, Bishnupur	
5.	Chandel Dist	Maha Union Hr. Sec. School, Chandel	
6.	Tengnoupal Dist.	Moreh Hr. Sec. School, Moreh	
7.	Churachandpur/Pherzawl Dist.	Rengkai Govt. Hr.Sec. School,C.C.Pur	
8.	Kakching Dist.	Kakching Hr. Sec. School, Kakching	
9.	Kangpokpi Dist.	K.T. College, Kangpokpi	
10	Senapati Dist.	Lao Radiant School, Karong, Senapati	
11.	Tamenglong/Noney Dist.	Tengkonjang Hr.Sec.School, Noney	
12.	Thoubal Dist.	Chaoyaima Hr. Sec. School, Thoubal	
13	Ukhrul/Kamjong Dist.	Ukhrul Hr. Sec. School, Ukhrul	
14.	Jiribam Dist.	Jiribam Hr.sec.school, Jiribam	

The list of Resource Persons for the required subjects of each group shall be provided by the Council. The sample copies of the required materials/formats to be used in the workshop shall also be provided by the Council.

Therefore, all the concerned heads of institutions of the above 14 groups are requested to furnish a detailed lists of subjects and tentative schedule of the workshop (after due consultation with the heads of institutions under his/her groups) to the undersigned on or before 05/09/2018.

Sd/- BABUDHON SAPAMCHA
Secretary(L/A)
Council of Hr. Sec.Edn., Manipur.
Imphal, the 28th August, 2018.

HLB/4821/30

[illegible]

STUDY MBBS/MD
IN ABROAD

- * BANGLADESH
- * KAZAKHSTAN
- * PHILIPPINES
- * SOUTH AMERICA
- * RUSSIA
- * CHINA
- * KRYGYSTAN
- * GEORGIA
- * UKRAINE

PACKAGE STARTS FROM 12 LAC

ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
Class Starts from 1st Week of August
Medical Council of India (MCI) Screening Exam
(FMGE) Coaching Classes will be Starting Shortly
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)

PLZ Contact : ATAWAR RAHMAN, A.S.EDUCATION TRUST
(JR INTERNATIONAL CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School,
Imphal East, Manipur

BRANCH OFFICE : A.S.EDUCATION TRUST
MINUTHONG, HATTA TELLIPATI,IMPHAL

Contact No: 8974084294, 9435549886
9615706900,8415930785, 8794249895

HL-B/4779/6/8-5/9